
থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# লাইগী য়ূম থিবা



ৱাহং অমনা পাউদম অসি হৌজগে, ৱারৌবীগনু। করিগুম্বদা ঈশ্বর মশামক্কা লাইরৈবাক্তগী কূমথরক্তুনা অদোমগী সঙ্গাইদা লেঙশিল্লক্কবা, অদোম, মহাক্কীদমক পোত্থানবা অখন্নবা খুদা অমদি ঙাইহাক পুঙ্গোয় ৱারী শাবদা লেঙশিনফমগী ফিদাদু করি পোৎনা শাগদগে? সনাগী সনথোঙ অমা শাগদ্রা? সনাগী ফমুং শাগদ্রা? সনানা ময়ূং কাবা লুপানা মফেন ওইবা ফিদা অমা শেমগদ্রা? নীংজরিবা মহাক্কা ঈমাঙদা হেক লেপ্পরবা ঐসু মঙায় অদোমসু সোয়দনা নর্ভস চৎকনি - করম্না মাবু ওক্কনি? কদায়দবু ফমহন্নি? করি করম তৌরগা, মপু মানা পেনবীনি? করি থৌগল উৎকনি? করি মিঙ্গৌ কৌগনি? অৱাৎপগী অৱাৎপা, লৈতবগী লৈতবা, ময়ামসিগী মরক্তগী করম্ববু খল্লগা নিহৌগনি মঙোন দগী? মথূম-মরাং হৌদুনা করিমত্তা হায়ঙল্লোই। নিবগী ৱাসি তোকখিসি - ঐনা চিংনরিবদি মাগা মায়োক্লনবা থৌনাদুবু লৈগদ্রা, হায়বা ৱাফম অসিনি। পাপিশিংবু চৈরাক পী, পুন্য তৌবা মীশিংবু খনগৎতুনা থৌজাল পী হায়রিবা তাবনা, মহাক লাক্লে তাবদা, মাবু ওকপই মহুত্তা, মনীংথোঙদা ফাওদুনা চেনখিদৌবা ঙাক্তনি - খল্লি ঐদি ময়ামসে।

ৱাখল অসি হেনমনৱ্রা? য়ানীংদ্রবা থম্মোয়না? খঙই ঐ - য়ানীংলসু য়ানীংলোই। মীওইবনা মওং কয়াদা নীংলিবা লাই, ৱান ৱে ত্রাফিক্কুম ঐতনা হায়গদবা পাউখুমদি লাক্লোইদবনা, মাগী মগুণ শক্লিবনি মাগী থৌজাল নিরিবনি। অৱায়-অখুম তৌনবা য়াবা ওইরম্লবা, থাজবীয়ু, লাইশঙ অমত্তসু শারম্লোই, লাইশোল ঈশৈসু শক্লম্লোই, অল্লাহতল্লা লাউরম্লোই, চর্চতা প্রেয়র তৌরম্লোই, মালেমসি ঈংনা পাল্লম্লি।

নীংজবা, নুংশিবা, পাম্মুবা। মীওইবনা শেমজবা তাৎকী ৱাহৈ ঙাক্তনি। হেঞ্জিনবা ৱাহৈ নত্তেকো। হায়জরিবসি অচুম্বনি। মীওইবা মরক্তা অমনা অমবু নীংজবা, নুংশিজবা, পাম্মুজবা - অমত্তা লৈতে তৌশিন্নবা ঙাক্তনি। লাই নীংবা, লাই থাজবা মীসু অমত্তা লৈতবনি। লাই নীংবা শাশিন্নবা ঙাক্তনি। কনাগুম্বা অমবু নীংবা/ নীংজবা হায়বসি, নুংশিবনা হানগদবনি। নুংশিবদুনা নীংলিবনি, নীংলুবদুনা পাল্লুরিবনি। মহাক মশামকপু নুংশিজবা ঙমদবা মীওইবনা অতোপ্পা কনাগুম্বা অমবু নুংশিরুবা ওইথোক্তে। ঈমা, ঈপা, ঈচা ঈশু...মীওইবনা কনাবুসু নুংশিদে, নুংশিশন্নবা ঙাক্তনি। থৱায় য়াওদ্রবা মমা নৎত্রগা মচাগী হকচাং পোলাং অদুগা, কনা লৈতবা কাদুদা অহীং অমত্তং লৈহল্লু। অশিবা হকচাং অদুনা হিয়াং অথৌবী ওল্লক্তুনা, মাবু তূম্বা ঙমহল্লোই, অকিবনা লাঙ্গোই চনখিবনি। নুংশিবনবু কিহনবা হৌনবরা? ঈমা-ঈপা, ঈতু-ঈচা মরক্তা মীওইবনা খ্বাইদগী কিবদি মহাক মশামকপুনি। মহাক মশামকপুসু নুংশিবা ঙমদবা মীওইবা, নুংশিরুনি করম্না - লৈ লৈতে খঙদবা ঈশ্বর কৌবা মাবুদি? মশাবু নুংশিবা ঙমদবদুননি মীওইবনা নাইতোম লৈবা কিরিবা। পুং অহুম-মরি-মঙা অদোমগী চাউর' শঙ্গায়দুদা মপান্দগী ছো লোনশিল্লগা, পূমচীক চীক্লা লৈবীয়ু। পোত্থাফম খঙদা লাংতক্ক রক্কনি। পাউ- চে নৎত্রগা লাইরিক অমা পানীংলক্কনি। টেলিভিজন নৎত্রগা রেদিও অমা ফংলবা, খরা হেন্না শাফগনি। মরূপ-মপাঙ, মরী-মতা, ঈমুং-মনুংগী মীওইশিং উনদুনা ৱারী শানবা পাল্লক্লিবা - মহাক মশাগা লোয়নবা কিরপননি। করিমত্তা ফংদনা, করিমত্তা তৌদনা, কনামত্তগা উনদনা, অচা-অথক ৱাৎতনা কা অমদা নাইতোম লেনবা ...চেখোবগী 'দ বেত' নীংশিংলকই। লোয়রদুনা ৱাৎখিবা - তাইবঙগা পাউ ফাওনদবা অদু খক্তনি, অতৈ মাগী অপান্বদি অমত্তা ৱাৎত' ফংহনখি। চাবখক্তং ৱাৎতনা, কনামত্তগা উনদনা, অচীকপা কাদা নাইতোম লেনবা, অকিবগী মশক্লি খন্বফাওবা ঙমদবা। ঈশামক্কা লেনমীন্নবা কিবা 'ঐ'দুবু অতোপ্পা কনানদি লেনমীন্নবা ঙমগনি? ঐনা খল্লি - ঐগী নাক্তা ঈশ্বর মাদি লেঙদনা লৈ। ঐনা লোয়নবা কিরবা ঐ অদু ঈশ্বরগদি লোয়নহন্নীংই। লোয়নজনীংবা ঈশ্বর মানা মাঙদা হেকমক লাক্লবা ঐহাক অমুক কমদৌগনি? ৱাখলসিনি খল্লুরিবা। মহাক লাকপা থোক্লবা, করম্না মাবু ওক্কনি - শেম শাবফাও ঙম্লোইদবা ঐহাক্ক দি নীংফম থোকপ্রা মহাকপু? চুম্মী, মীগী মচা অমবু ঈয়ুমসিদা পুরক্কে খল্লবা, মানা লাক্লগা লৈনবা য়ূম অমা হান্না শাই। তাইবঙসিদা ঈচা অমা থুংলদৌরে খঙলবা মাগীদমক মপোৎ-মরল হান্নদগী লাঙশিল্লি। ঈশ্বর মাবু নীংলবা শাফম থোক্ত্রশঙ অমা মানা লাক্লগা লৈনবা? মন্দির, লাইশঙ, মসজিদ লৈফম নত্তে মহাক্কী। মীথূংশঙদা য়ারেকপা পামদবগুম ঐহাক্লা লাইশঙদুদা মথন্তা মাসু লেকপা পাল্লম্লোই।

পূন্সি কৌবা খোঙচৎসিদা চৎলিবা ঐখোয় পূম্নমক, মালেম কৌবা মীথুংশঙসিদা ঙাইহাক পোত্থামিন্নবনি, কনাগীসু ময়ূম নত্তে। ধর্ম্মশালা অসিদা মাগী শঙলেন শারুবা, মাগী মগুণ শক্লুবা, কান্নদবা থৌরেমনি। মফমদুদা মহাক্তি নোংমতসু মায়ওল্লক্লোই। সনা-লুপা, মণি-মুক্তানা থাম্বা ফাম্বালদা মাদি ফল্লোই কৈদৌনুংদসু। সনথোঙসু লৈতবা, কোনুংগুম্বা শঙলেনসু শাফম লৈতবা, করিমত্তা লৈতবা পূমহাং হাংবা অহাংবা, ঐগী পূক্লিং নত্তনা হকচাংসিনা য়ৌঙমদবা মফমদুনি, মাগী অশেঙবা ময়ূমদি। চৎসি ঐখোয় মফমদুদা, মাঙখ্রবা 'ঐ' দু থিরুসি। ঐগা উনবা মীকূপ্তা ঈশ্বর মশক খঙবনি। ঐবু ঈশক মাঙহনখিবা কনাননো থিরুসি।

থাজবীয়ু - অশেঙবা লাইনীংবা হায়'দুদি মশানা মশাদা অপেনবা ফংদ্রবা কনাগুম্বা অমনি।

লৌশিং পুক্কে

# কা হেন্না থবক শুবা মীওইশিং

হেঞ্জিন্না থবক শুবা মীওইশিং দিপ্রেসন অমসুং এঞ্জাইটিনচিংবা ৱাখল লায়নাগী রিস্ক ৱাংই হায়বা ষ্টদি অমদগী খঙলে। নোর্ৱেদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ বর্জেনগী ক্লিনিকেল সাইকোলোজিষ্ট সেসিলি স্কো এন্দ্রিসননা হায়খি, অঙম তান্দুনা লোইশিলহৌদবা য়াদে হায়বগী মওংদা নুমীৎ খুদিংগী কা হেন্না থবক শুবা মীওইশিং এঞ্জাইটি, দিপ্রেসন, এটেন্সন দিফিসিট হাইপরএক্টিভিটি দিসওর্দর (এ দি ঐচ দি) অমসুং সবসেসিভ কম্পলসিভ দিসওর্দর (ও সী দি) নচিংবা খুদোংচাদবশিং মায়োক্নরকপা য়াই।



অমরোমদা মতম শাংনা সিভিল সর্ভেন্ট ১০,০০০ রোম চথুরকখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়খি, নুমীৎ খুদিংগী মতম শাংনা থবক শুরবদি থম্মোয়গী লায়না অমসুং হার্ট এটেক্কী রিস্ক ৱাংখৎলকই। য়ুরোপিয়ন হার্ট জর্নেলদা ফোঙলকখিবা রিপোর্ট অদুনা হায়খি, মফম খুদিংমক্তা নোংমগী পুং ৭ খক থবক শুবা হয়বসি মতম চপ চারবনি। নুমীৎ খুদিংগী পুং ৩ শাংথনা থবক শুবা তারবদি থম্মোয়গী লায়না ওইরকপা য়াবগী রিস্ক চাদা ৬০ রোম হেনগৎলকই।

রিছার্চরশিংনা মশাগী ৩৯ অমসুং ৬১ গী মনুংদা লৈবা মীওই ৬০০০ লোমগী মওং মতৌ কুপ্না য়েংশিল্লম্মী। মরক মরক্তা পুং ১



নৎত্রগা ২ হেন্না থবক শুবদা অকায়বা লৈতে। অদুবু নুমীৎ খুদিংগী পুং ৩ নৎত্রগা মসিদগী হেন্না থবক শুরবদি কোরোনরি হার্ট দিজিজ নারকপা য়াবগী রিস্ক চাদা ৬০ রোম হেনগৎলকই হায়না য়ুনিভর্সিটি কোলেজ লন্দন অমসুং ফিন্নিস ইনষ্টিটুয়্যট ওফ ওক্যুপেসনেল হেল্‌থকী রিছার্চরশিংনা ফোঙদোকখি। ওইথোকপা য়াবা মরমশিংগী মতাংদা রিছার্চরশিংনা হায়খি, মপুং ফানা পোত্থাবা ফংদবা মরম্না হার্ট দিজিজগী রিস্ক হেনগৎলকপা ওইরম্বা য়াই। অমরোমদা হেলসিনকিগী ইপিদমিওলোজিষ্ট ডা. মেরিয়ানা বির্টানেননা ফোঙদোকখিবা মতুংইন্না নুমীৎ খুদিংগী মতম শাংনা থবক শুবা মীওইশিংগী মেটাবোলিক প্রোসেসতা অকায়বা থোরকই হায়রি।

মালেম অপূনবগী ওইনা থম্মোয়গী লায়না নাবগী চাং ৱাংখৎলকপগী মতাংদা য়ুনিভর্সিটি ওফ গ্লাসগো ৱেষ্টর্ন ইনফর্মরিদা ক্লিনিকেল ফার্মোকো-লোজিগী প্রোফেসার ওইবা গোর্দন মেকলিন্সনা হায়খি, মথৌ কা হেন্না চিনবা মীওই খুদিংমক মরক মরক্তা ছুটি পীদুনা পোত্থাহনবা তারবদি হার্ট দিজিজ নাবগী চাং হন্থরকপা য়াই। মীপুম খুদিংমক থবক শুবা অমসুং পোত্থাবগী মতাংদা খল মান্নহনগদবনি। থবক শুবনা হকচাং ফহনবদা মতেং পাংই। অদুবু হেঞ্জিনবা মওংদা থবক শুবা তারবদি হকচাং শোকচিল্লক্নবগী মরম ওইরকই।

বৃটিশ হার্ট ফাউন্দেসনগী সিনিয়র কার্দিয়ক নর্স কেথি রোজনা হায়খি, গভর্ণমেন্টকী ফমথোল ৱাংবা থবক তৌবা মীওই ওইরবসু নৎত্রগনা প্রাইভেট সেক্টরদা থবক তৌবা মীওই ওইরবসু হীরম অসিগী মতাংদা মুন্না খন্থবা মতম ওইরে। মতম শাংনা থবক শুগদবা ওইরবদি মরক্তা ঙাইহাক হৌগৎলগা খোঙকাপ ৫/১০ চৎকদবনি। লিফ্‌ট শীজিন্নবগী মহুৎ সিরি থাক্তা ওইনা কাখৎ-কুমথ তৌগদবনি অমসুং মরক্তা অচোই অপা চাবদা বিস্ক্যুইটকী মহুৎ উহৈ-ৱাহৈ ওইনা চাগদবনি হায়রি।

অমরোমদা, য়ুনিভর্সিটি কোলেজ লন্দনগী সাইন্টিষ্টশিংনা কন্টিনেন্ট অহুমদা চথুখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়খি, মতম শাংনা থবক শুরিবমখৈ হার্ট দিজিজ নারকপা য়াবগী রিস্কসু হেনগৎলকই। লেন্সেট মেদিকেল জর্নেলদা ফোঙলকখিবা য়ুনিভর্সিটি কোলেজ লন্দনগী প্রোফেসার ওফ ইপিদমিওলোজি মিকা কিবিমেকিনা হায়খি, চয়োল অমদা পুং ৫৫ দগী হেন্না থবক শুরবদি কোরোনরি হার্ট দিজিজ নারকপা য়াবগী রিস্ক চাদা ১৩ হেনগৎলকই। মতম শাংনা ওফিসতা ফমজিন্দুনা থবক শুরবদি নীংথিনা পোত্থাবা অমসুং হকচাং শাজেল তৌনবগী মতম ফংদে। মসিগীসু মথক্তা মতম শাংনা থবক শুবা মীওইশিং খুদোংথিনিংঙাই ওইবা মওংদা য়ু থকপগী হৈনবী থমগল্লি।

হীরম অসিগী মতাংদা য়ুনিভর্সিটি ওফ সেফিল্ডগী কার্দিওভাস্কুলর মেদিসিন দিপার্টমেন্টতা রিদর ওইবা ডা. টিম চিকোনা হায়খি, মীপুম খুদিংমক থবক শুবগী মতম ককথবা হায়বসি ওইথোক্লরোইদবনিনা য়ারিবমখৈ থবক শুরিঙৈ মনুংদা ঙাইহাক ঙাইহাক হৌগৎলগা খোঙকাপ খরা চৎকদবনি অমসুং মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চাগদবনি।

# সুকনা শীনবা স্পেল্লিং কম্পিটিসন অমদি অরিবা লোলগী ৱাহন্থোক চাংদম্নবগী মনা-মথুম য়েন্থোকখ্রে



ইম্ফাল, জুন ১৩ (ঐচ এন এস) :

ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ কংলৈপাক (সুক) না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ৬ লক শুবা ষ্টেট লেবেল স্পেল্লিং কম্পিটিসন অমদি মণিপুরী অরিবা লোলগী ৱাহন্থোক চাংদম্নবগী মকোক মথং তারবশিংদা মনা-মথুম য়েন্থোকপগী থৌরম ঙসি মিমস হোল, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা পাঙথোকখ্রে।

ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ কংলৈপাক (সুক) না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা চাংদম্নবশিং অদুদা মকোক মথং তাখ্রবশিংদি, ষ্টেট লেবেল স্পেল্লিং কম্পিটিসন ২০১৭ গী কেটগোরি এ ক্লাস ফাইবতগী সিক্স ফাওবগী ওইনা অহানবা পোজিসনদা সেন্ট জোসেফ স্কুলগী মহৈরোয় রাসরাজ টিঐচ, অনীশুবা পোজিসনদা মারিয়া মোন্টেসোরি স্কুলগী লিংজেনথোইবী য়ুমখাইবম অমদি অহুমশুবা পোজিসনদা আর কে মীসন বিদ্যাপথকী মহৈরোয় জিলবর্ট মোইরাংথেমনি।

কন্সোলেসন প্রাইজ ফঙখ্রবশিংদি, হেরিটেজ কনভেন্টকী মহৈরোয় গুরুময়ুম ভাবনা, কিটস হায়স্কুলগী মহৈরোয় সোচুই রুইভা, কে এম ব্লুমিংগী মহৈরোয় ধনরাজ মৈতৈ, ষ্টেন্দর্দ রোবর্ট স্কুলগী মহৈরোয় থাসনা, গ্রেদ কোটেজ একাদেমীগী মহৈরোয় রোজর, কিটস হায়স্কুলগী ওইনাম রোসেশ্বর, পি আর ইংলিস স্কুলগী মহৈরোয় অলফ্রেদ, সেন্ট জোসেফ স্কুলগী মহৈরোয় ধাকেশ্বর শরাংথেম অমদি ন্যু মোদেল পব্লিক স্কুলগী মহৈরোয় ভিকি রাজ সলামনি।

সুক ষ্টেট লেবেল স্পেল্লিং কম্পিটিসন ২০১৭ গী কেটগোরি বি (আইট টু টেন) ফাওবগী ওইনা মকোক মথং তাখ্রবশিংদি মেগা মণিপুর স্কুলগী মহৈরোয় প্রিসিলা থাংজম, সেন্ট জোসেফ স্কুলগী মহৈরোয় লনচেনবা থোকচোম অমদি লিট্টল ফ্লাৱর স্কুলগী মহৈরোয় মাইস্নাম তনুশ্রি দেবীনি।

সুককী মণিপুরী অরিবা লোলগী (কংলৈ লোল) ৱাহন্থোক চাংদম্নবা ২০১৭ দা মকোক মথং তাখ্রবশিংদি, অহানবদা কোমেট স্কুলগী ওইনাম মিলনচান্দ, অনীশুবদা ওরিয়েন্টেল কোলেজগী খ্বাইরাকপম সোমেন, অহুমশুবা পোজিসনদা সিসু নিষ্টা নিকেটনগী মহৈরোয় প্রিয়ালিনি রাজকুমারিনি।

কন্সোলেসন প্রাইজ ফঙখ্রবশিংদি, কে এম ব্লুমিং হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী মহৈরোয় সনসম অমুবা, রুদ্রা একাদেমীগী মহৈরোয় প্রেমেশ্বরী অসেম, সিসু নিষ্টা নিকেটনগী মহৈরোয় মঞ্জালিকা রাজকুমারি, মোর্দন কোলেজগী মহৈরোয় লোংজম থৌনালৈবা, দি এম কোলেজ ওফ আর্টসকী মহৈরোয় নিংথৌজম মনোরঞ্জন, কে এম ব্লুমিং হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী মহৈরোয় নিংথৌজম জেমস অমদি ওরিয়েন্টেল কোলেজগী কোন্থৌজম রোহেসনি।

সুকনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ৬ লক শুবা ষ্টেট লেবেল স্পেল্লিং কম্পিটিসন অমদি মণিপুরী অরিবা লোলগী ৱাহন্থোক চাংদম্নবগী মকোক মথং তারবশিংদা মনা মথুম য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা মোর্দন কোলেজগী রিটায়র্ড এসোসিয়েট প্রোফেসর ডা. হাওবম ইন্দ্রকুমারনা হায়খি, সুকনা শীন্দুনা মণিপুরী অরিবা লোলগী ৱাহন্থোক চাংদম্নবা অমদি স্পেল্লিং কম্পিটিসন্নচিংবা পাঙথোকপা অসি য়াম্না তঙায়ফদবা অমনি। মহৈরোয়শিংগী মরক্তা অসিগুম্বা চাংদম্নবা অসি পাঙথোকপনা য়াম্না কান্নবা ওইগনি। লমদম অসিগী লোল অসি ক্লাসিকেল লেঙ্গ্যুয়েজগী থাক্তা লাকহন্নবা হোৎনমিন্নবা তঙায়ফদে। অসিগুম্বা চাংদম্নবা অসিদা শরুক য়ারিবা মহৈরোয়শিংদা কান্নবা য়াম্না লৈগনি। মহৈরোয়শিংগী মরক্তা লিদরশিপ কেপাসিটি লৈহনবা তঙায়ফদে। লমদম অসিগী ফজরবা অরিবা লোলশিং অসি নীংথিনা খঙমিন্নবা চঙই। হীরম অসিগী মতাংদা ঐখোয় পুম্নমক্না খঙমিন্নবা অমদি লোল য়োকখৎনবা হোৎনমিন্নবা চঙই হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা সী সী এস কেগী প্রসিদেন্ট অর্জুন তেলহৈবনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ কংলৈপাক (সুক) কী প্রসিদেন্ট এন গোবিন্দা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। সুকনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ষ্টেট লেবেল স্পেল্লিং কম্পিটিসন অমদি মণিপুরী অরিবা লোলগী ৱাহন্থোক চাংদম্নবা অদুদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী স্কুল, কোলেজ কয়াগী মহৈরোয় কয়ানা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা কয়ানা মণিপুরী অরিবা লোলবু য়োকখৎনবগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লুখি। তুংগী মীরোলশিংনা মণিপুরী অরিবা লোলগী ৱাহন্থোকশিং নীংথিনা খঙহৌনবা অমদি তুং কোয়না য়োকখৎতুনা থম্বা ঙম্নবা ঐখোয় পুম্নমক্না থৌদাং লৌমিন্নবা চঙই হায়বা ৱাফম কয়াসু ফোঙদোক্লুখি।

# মতমগা চুনবা লৌউ-শিংউ কাঙলোনগী মতাংদা এক্সপর্টশিংগা লৌমীশিংগা উনদুনা খন্ন-নৈনবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৩ (ঐচ এন এস) :

মতমগা চুনবা লৌউ-শিংউগী চৎন-কাঙলোনশিং শীজিন্নদুনা পোত্থোক হেনগৎহন্নবগী মতাংদা এক্সপর্টশিং অমদি লৌমীশিংগা লোয়নননা খন্ন নৈনবগী প্রোগ্রাম অমা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা কৈবুং ওইনাম লৈকায়দা পাঙথোকখ্রে।

নবার্দ মণিপুর রিজনগী স্পোন্সর মখাদা আই সী এ আর, কে ভি কে ইম্ফাল ৱেষ্টনা ইবুধৌ খাগেম্বা শঙলেন শীন্থা লৌমী লুপকা লোয়নননা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা মীট দ এক্সপর্ট হায়না মীংথোনবা থৌরম অদুদা আই সী এ আরগী এক্সপর্ট কয়ানা লৌউ-শিংউগী হীরমদা ৱা ঙাংখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা আই সী এ আরগী সবজেক্ট মেট্টর স্পেসিয়েলিষ্ট, প্লান্ট ব্লিদিং এস গুনমনিনা হায়খি, লৌউ-শিংউগী পোত্থোক হেনগৎহন্নবগীদমক লৌমীশিংনা মতমগা চুনবা মখলগী লৌউগী চৎন-কাঙলোনশিং খঙমিন্নবা তঙায়ফদে। ফৌ থাবা মতমদা তঙায়ফদনা তৌগদবা হীরমশিং নীংথিনা খঙবা চঙই। ফৌদা তাবা লায়না তিন্না মখল কয়াগী ওইনা কাপথোকপা য়াবা হীদাক মখলশিং খঙবা তঙায়ফদে। মসিগীদমক এক্সপর্টশিংগা তানবা মরুওই। তারিবা তীল মখল অদু করিনো হায়বদু য়েংলগা মদুগা চানবা হীদাক মখলশিং কাপথোক্কদবনি। অতোপ্পা লৌফম অমগা হীদাক কাপ্পদা ফখ্রে হায়দুনা অতোপ্পা লৌফম অমদসু চপ মান্নবা হীদাক অমা হেক্তা থাজিনবা চুমদে। তারিবা তিল মখল অদু মান্নরমদবসু য়াই।

লৌউ-শিংউবগী থবক তৌবা মতমদা ফর্টিলাইজর শীজিন্নবগী মওং অসিসু নীংথিনা খঙগদবনি। লৌফম অমদা মথৌ তাবা চাংদগী হেন্না হার হাপচিনবগী কান্নবা করিসু লৈতে। হেন্না শেল চঙনবগী মরম ওইগনি। মথৌ তাবা চাং অদুখক্তমক হাপ্পগা লৌউ-শিংউগী থবক পায়খৎপা য়াই।

লৌমীশিংনা এক্সপর্টশিংগা তানদুনা মতম মতমগী ওইনা তৌবা য়াবা হীরম কয়াগী মতাংদা খঙমিন্নবা চঙই। মতমগা চুনবা মখলগী লৌউ-কাঙলোনশিং শীজিন্নরবদি পোত্থোক হেনগৎহনগনি। লৌউ-শিংউগী পোত্থোক হেনগৎহন্নবা হোৎনবা হায়বসি য়াম্না তঙায়ফদবা অমনি। লৌমীশিংনসু লৌউ-শিংউবগী মতাংদা ৱাখল লৌশিং ওইবা য়াবা হীরমশিং খঙবা চঙই হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ত্রেজরর রোবিন ব্লেকিনা হায়খি, লৌউ-শিংউগা মরী লৈনবা হীরমশিংদা অখঙ অহৈশিংগা তানদুনা পোত্থোক হেনগৎহন্নবা হোৎনবা হায়বসি য়াম্না মরুওই। য়াইফবা খুন্নাই অমা ওইনবগীদমক পোত্থোক পুথোকপগী চাং হেনগৎহনবা অমদি শেন্মীৎলোন ফগৎহনবা চঙই।

অনৌবা লৌউ-কাঙলোন কয়া থোক্লক্লিবশিং অসি নীংথিনা শীজিন্নদুনা পোত্থোক পুথোকপগী চাং হেনগৎহন্নবা হোৎনসি। গুজরাটনচিংবা ষ্টেটতা সোইল হেল্‌থ কার্দ য়েনবগী থবক চহী কয়াগী মমাংদগী চৎনবা হৌখ্রে। লৌফমশিংগী লৈবাক লৈহাও নীংথিনা চাংয়েং তৌদুনা অৱাৎপা হাপফম থোকপা পোৎলমশিং অদু হাপ্পুনা অফবা লৌফম ওইহন্নবা হোৎনবা চঙই।

লৌউ-শিংউগী পোত্থোক চাং ৱাংনা পুথোক্লবগীদমক লৌফমশিংগী লৈহাও ফগৎনবা হোৎনবসু য়াম্না তঙায়ফদবা অমনি। লৈহাও লৈবা মফমদা মতমগা চুনবা মখলগী লৌউগী মওংশিং শীজিন্নরবদি পোত্থোক য়াম্না হেনগৎলক্কনি। ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনসু লৌউ-শিংউগী পোত্থোক হেনগৎহন্নবগীদমক অখন্নবা মীৎয়েং কয়া চঙলি। লৌমীশিংগী ইনকম অসি হেনগৎহন্নবগীদমক অখন্নবা মীৎয়েংগা লোয়নননা ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা থৌরাং কয়াসু পায়খৎপা হৌখ্রবনি। লৌমীশিংনসু মতম মতমগী ওইবা অনৌবা ৱাখল লৌশিং কয়া তানশিন্দুনা পোত্থোক হেনগৎহন্নবা হোৎনবা তাই।

ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা লৌমীশিংগীদমক অনৌবা স্কীম কয়া অমসু হৌদোকপা লৈখ্রে। লৈঙাক্লা পায়খৎলক্লিবা স্কীমশিং অসি মীয়ামদা নীংথিনা ফঙহন্নবা হোৎনবা চঙই। অফবা লৌমীশিং পুথোকপা অমদি সাইন্টিফিক ওইবা মওংদা লৌউ-শিংউগী থবকশিং পায়খৎতুনা পোত্থোক হেনগৎহন্নবা হোৎনবা তঙায়ফদে। হীরম অসিগী মতাংদা লৌমী ওইবশিংনা কন্নবা হোৎনবা চঙই। লৌমীশিংনা নোংজু নুংশা মরক্তা অৱাবা কয়া খাঙদুনা লৌউ-শিংউগী পোত্থোকশিং পুথোক্লবা হোৎনরিবসি ইকায়খুম্নবীবা তাই। লৌমীশিংগী ফিভম ফগৎহনবা হায়বসিসু য়াম্না মরুওইবা অমনি। লৈঙাক্লা মতম মতমগী ওইনা পায়খৎলক্লিবা স্কীমশিং অসি নীংথিনা ফঙহন্নবা হোৎনমিন্নসি। লৌমীশিংগী ফিভম ফগৎহনবগা লোয়নননা পোত্থোক হেনগৎহন্নবা অখন্নবা থৌরাং কয়াসু পায়খৎপা চঙই হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা আই সী এ আর, কে ভি কে ইম্ফাল ৱেষ্টকী এক্সপর্ট কয়ানা লৌউ-শিংউগী মতাংদা ৱাফম কয়াসু ফোঙদোকখি।

# আইজোলদা গেষ্ট হাউস শাবীনবা এন বিরেনদা হায়জখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৩(ঐচ এন এস) :

নুমিৎ নীনিগী মিজোরাম খোঙচৎতা লৈরিবা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনদা ওল মিজোরাম মণিপুরী এসোসিএসন (এ এম এম এ)না এসোসিএসন অসিগী ওফিস বিল্ডিং কম গেষ্ট হাউস অমা আইজোলদা শাবীনবা তকশিনখ্রে।

এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট এ মঙলেমজাও, জেনরেল সেক্রেটরি রনবির অরাম্বম অমদি হান্নগী প্রসিদেন্ট সী ঐচ চিত্তরঞ্জননা লুচিংবা টিম অমনা ঙসি আইজোলগী হোটেল রিজেন্সীদা চীফ মিনিষ্টরগা উনদুনা মণিপুর অমদি মিজোরামগী মরক্তা ফ্লাইট সার্ভিস মশীং হেনগৎহন্নবা; ইম্ফালদগী আইজোল ফাওবগী নেসনল হায়ৱে ১৫০ শেমজিনবীনবা অমসুং আইজোলদা গেষ্ট হাউস অমা শাবীনবগী মতাংদা তকশিনখি হায়না এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট এ মঙলেমজাওনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চীফ মিনিষ্টরদা পীশিনখিবা, প্রেসতসু কোপী অমা য়ৌহল্লকখিবা চেরোল অসিনা হায়, মিজোরামদা মণিপুরী ৫০০০ হেন্না খুন্দারি। মণিপুরীশিংনা মিজোরামগী মীয়ামগা নক্লবা মরী থম্নরকই হায়বা ষ্টেট অনীগী পুৱারীনা ময়েক শেংনা তাক্লি। মথৌ তারকপা মতমদা অমনা অমগী মতেং পাংনবা শেম শাদুনা লৈরি। মিজোরামদা অমত্তা ঙাইরবা মণিপুরীশিংগী ওর্গনাইজেসন ওইরিবা এ এম এম এনা মশাগী শক্তম, চৎনবী অমসুং নাৎ ঙাক্লবগী থৌদাং লৌরি। মণিপুরীশিংগী চাউখৎ থৌরাংগী মতাংদা খন্ন-নৈনবগীদমক আইজোলদা মফম অমা লৈবা মথৌ তাই। ওফিস বিল্ডিং অমদি গেষ্ট হাউস লৈতবনা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লরি।

এ এম এম এনা ওফিস বিল্ডিং কম গেষ্ট হাউস শানবগী লম লৈনবা শেল খায়গৎপা হোৎনরি। হীরম অসিগী মতাংদা ষ্টেট অনীগী চীফ মিনিষ্টরনা মীৎয়েং চঙবীবা মথৌ তাই হায়নসু চেরোল অদুনা ফোঙদোক্লি।

# এস পি কেপসুল অমদি দব্লিউ ৱাইগা কোন্নবা মীওই ৪ ফারে

ইম্ফাল, জুন ১৩ (ঐচ এন এস) :

লমদম অসিদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক অমদি মীওইবগী হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা পোৎলমশিং য়োনবা অমদি পুশিল্লকপা অথিংবা লৈনা লৈনা ঙসি তোঙান তোঙানবা মফমদা লোন্না পুশিল্লক্তুনা য়োন্নবা হোৎনরম্বদগী পুলিসনা পোৎকা কোন্নবা মীওই মরি ফারে হায়রি।

ঙরাং নুংথিল পুং ৪ রোম তাবা মতমদা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এদিস্নেল এস পি (ওপস) এম কুমারজিৎ, পুলিস ষ্টেসন অসিগী ও সী আর কে অনন্দ অমদি চুড়াচান্দপুর দ্রগ সেলগী পুলিস য়াওনা পুন্না চুড়াচান্দপুরগী সিন ভেঙ এরিয়াদা থিবা হুন্থবা চথবদা এস পি কেপসুল ৫৫৫ অমদি দব্লিউ ৱাই টেব্লেট ১১০ ফারে হায়রি।

এস পি কেপসুল অদুনা চুড়াচান্দপুরগী সিন ভেঙদা লৈবা চিনমিনলাং (২৩) অপোকপা লৈখিদ্রবা হোলখোমাংদগী ফাবনি। অদুগা দব্লিউ ৱাই টেব্লেট ১১০ অদুনা চুড়াচান্দপুরগী লানভা খুনদগী নুপী অমদগী ফাবনি হায়রি।

মরকসিদা, ঙরাং ককচিং পুলিস ষ্টেসনগী টিম অমনসু এস পি কেপসুল ৬০০ কা কোন্নবা মীওই অনী ফারে হায়রি। পুলিসনা ফারবা মীওই অনী অদুদি সোরা অৱাং লৈকায়দগী এম জি জবর (৩৪) অপোকপা কমর অমদি ককচিং ময়াংলম্বম পরেংদগী য়েংখোম শ্যামকুমার (৪০) অপোকপা লৈখিদ্রবা কিশোরনি। মখোয় মখা তানা ৱাহং পাউহং চথনবা ককচিং পুলিস ষ্টেসনদা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

# ইশিখাদা ৱর্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট দেগী থৌরম পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, জুন ১৩ (ঐচ এন এস) : ৱর্ল্ড সোসল ফোরম মণিপুর অমদি মণিপুর টুরিজম দিভলপমেন্ট সোসাইটিগী থৌশিল মখাদা পুখাও রোদতা লৈবা ইশিখা ইকো গ্রীন পার্কতা ৱর্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট দে থৌরম পাঙথোক্তুনা উপাল ৱাপাল কয়া থাগদৌরি হায়না ৱর্ল্ড সোসল ফোরম মণিপুরগী সেক্রেটরি এ শরৎচন্দ্রনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ইকো গ্রীন পার্ক অসি শেমগৎতুনা হেন্না শঙবা উমং কয়া ওইহন্নবা হোৎনবগা লোয়নননা থা অসিগী ১৪ দা মালেমগী শক্লাইরবা চে গুইভেরাগী ৮৯ শুবা মপোক নুমিৎতা ইকো গ্রীন পার্ক ইশিখাদা খীল্লিবা মহাক্কী মীতমদা হৈকৎ-লৈকৎ তমগনি। থৌরম অদুদা ৱর্ল্ড সোসল ফোরমগী চেয়রমেন সোতিনকুমার, মণিপুর টুরিজম দিভলপমেন্ট সোসাইটিগী চেয়রমেন ৱাই ইবোয়াইমা, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসর চিংলেন মাইস্নাম, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ওজা ক্ষেত্রিময়ুম নরায়ন, ত্রেদ য়ুনিয়ন লীদর ক্ষেত্রিময়ুম শান্তা, হান্নগী মিনিষ্টর কেঐচ জিবোন, ত্রেদ য়ুনিয়ন লীদর কে মনোরঞ্জন, কেঐচ গ্যানেশ্বরনা থৌরম মপুশিং ওইগনি। থৌরম অদুদা পুখাও রোদতা লৈবা ইশিখাগী ইকো গ্রীন পার্কতা উপাল-ৱাপাল থাগনি। গ্রীন পার্ক অসি শেমগৎনবগী মতাংদসু খন্ন নৈনগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।